# মখোয়বু পাড়া তন্বীসি - মসিবু ঐখোয়গী খূত্তা লৈত্রনে?

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

মীচম মীয়াম ঐখোয়সি অৱাবা খাঙবা কন্দে লাক্তেকা হায়বা য়াবজাৎ নত্তে, কনখ্রজাৎনি। অখাঙ কনবা ইতৌশিংসিগী অশোয়বা ময়াম অমসু লৈতবা নত্তে। মসিনা ঐখোয়বু পঙদে পঙবা অপঙবা, শোন্দে শোনবা অশোনবা হায়বদু তাহল্লবসু খঙপোৎ নত্তে। ঐখোয়গী অৱা নুংঙাইগী চূপ্লি পায়রিবা মীওই খুজোক খরগী মফমদদি ঐখোয়সি করিসু ওইনা উরমদৌ মান্দে। ককচেং ওইনা উরমদৌবা মাল্লি। শুবা নোম্বতনা মশিঙ্গাং ওইজরবা ককচেংশিংনা মচীঙ্গাক হোল্লগা পরেং শানা চৎচবদু মী অয়ান্বনদি খোঙপাক্লা শ্রু-শ্রু কোক হেক নৈথৎপীরিনি। 'সুম খঞ্জিল্লুরবদি নুংশিবনি, পাপ্না শেবোৎ মরী শীবগুম শীদৌবা মাল্লি। মালেমগী পুৱারী হাইগৎতুনা য়েংবদা অরৈবা মপাঙ্গল পুথোক্তুনা শু-নোম্লগা হিংবা লৌমী শিন্মীশিংবু তুমিৎ কাং, ককচেংনচিংবা ওইনা খল্লমদৌবা মানবা মচৎ মওং ময়াম অমা উবা ফংই হায়বা য়াই।

মথায় থায়নঙৈদা মীয়াম্না পাঙ্গল থোক্তবদি শুপ্নম লৈঙাক্কী তমথীরবা চৎন-পথাপ্না মখনাও মেখুৎপীখ্রবা মরৈ ককথৎপীখ্রবগুম্না মরোন মরী অমত্তা থোকপা ঙমজদবগী ফীভমদা লৈখিবননি। মদু ফাওবদা ওৎপা নৈবা হেনমন্দুনা খাঙঙমদ্রবদা পাঙ্গল্লবা লৈঙাক মপুশিংগী মায়োক্তা লান হৌরকখ্রিবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা খৃষ্ট কুম হৌদ্রিঙৈদা ওৎপী নৈবীবগী চৈফূনা হিংনা-হিংনা শিবগা পাঞ্চাক ওইরবা মীনাইশিংনা রোমান রিপব্লিক্কী মথক্তা লান হৌখি। ফ্রান্সতা কুমজা ১৮৪৮ গী ফেব্রুৱারী রেভল্যুশন অদু লৌমী শিন্মী লায়রবা মীচম মীয়াম্না হৌখিবনি। থিজিল্লুরবদি মশীং মপান নাইদে, রুসিয়াগী ওক্টোবর রেভল্যুশন ফুৎ ফাওরিসিনি। ঐখোয়গীদসু অদুমঙায় নুমিৎ কাপথবগী থৌদোক লৈখ্রিদুনি। মদুমক ওইদুনসু অঙম অথৌ খমতোং য়াইতোংবশিংগী মখাদা শু নোমদুনা হিংলিবা মীচম মীয়াম্না করি ফীভমদা হিংলিবগে হায়বসিমদি পূন্নমক্কা খঙনরবা ৱাফম্নি।

অসুম্না লমদম অসিদসু শুন্নম ফাইনম ময়াম অমা চহী লিশাং শিংনা মরী-মরী চত্থখ্রে, শীংথাবগী লোইবা নাইররোই। মতুংদা মীয়ামগীনি হায়বা লৈঙাক লাকখ্রে। ঐখোয় ইশানা পামজরে হায়দুনা ইশা ইশাগী খূৎপী খূৎয়েক পীরবা মতুং পামজবা সিম্বোলশিংদুদা কিৎ-কিৎ নমদুনা থাগৎখিবা মীহুৎনা ঙাকপা লৈঙাক মখাদা হিংলক্লিবসি কুইরে শাংলে, ঐখোয় পোক্ত্রিঙৈদগীনি। মীচম ঐখোয়দা পীরিবা খূৎলায় অসিদগী হেন্না মপাঙ্গল লৈবা মতিক ময়াই লৈবা খূৎলায় লৈরম্লি থাজদদে। অদুঙৈ মৈদিংঙু তাওথিংমাং অমদি ময়াঙ্কুং ইবুংঙো ঙাংঙোই য়োইমোংবনা তুতেংঙৈদা ইমা লৈমরেন শিদবীনা পীখিবা কাকলেন মীঙন্বগী থৱায় লৌবা ঙমখিবা থাঙ য়াইওইবা অমদি তেনবী য়াইওইবদুমক্কসু চাংদম্লবা য়ারিপোৎনি। অসুম্না মতিক ময়াই লৈরবা অপান্বা মীহুৎ খঞ্জনবগী খূৎলায় অসি ফৈরেং তুরেং শীজিন্নদুনা লৈরক্লিবসি কুইখৎলক্লেন্দকো! অমরোমদা, মরিন চুমদবা লৈঙাকপদু চহী মঙাগী মতুংদা শ্বায়-শ্বায় মাঙহনখিবা ঙন্বা লাইৱানি। ঐখোয়না লাইৱাদু মফম মতম চানা শীজিন্নবা হৈজদবা অমদি মখোয়না শান্নবা মিত্রং কুম্মোদা মীৎ-না ইথক হেক থক্কৎপৈ ৱানিদা।

মসি হায় হায়দুনসু মীপূম খুদিংমক তৌই হায়বা নত্তে। অদুবু অয়ান্বনা কৈনোমা তৌখ্রবনিনা পান্বে হেক্তমক লৈতবা। মরমদি ইলেক্সন হায়বসি নম্বর গেমনিদো। মদুদদি চুম্বা লানবা থিনদে, হেক্তমক লাউই মখৌ পোঙনা... "...না ভোট কারে, ঐখোয়গী পার্টিনা কারে। মীয়াম্না য়াবা অদুনি... মীয়াম্না নুংশিবা অদানি..." মখল মখলনি লাউরিবসি, ভোট হায়দোকপা নুমিত্তা। মদুদৈসু হেন্দোক্তুনা মতম ওই ওইদে, তৌহৈরিব্রা তৌহৈদব্রাসু খল্লুদনা নহা অহল খাক্তবীদা থাবলকাসু পঙচোং মচোংনরিবনি। মদুদৈদি লৈঙাক শেন্বগী খোইরেন মসা অমুক পানখৎনরকপদদি ফজরে কুম্মোদু। খোইহিমুক থুল্লম্বা মা-মাগী পার্টিদু হুগী মনাও য়াইমুক খারে হায়না খূৎচেপ্না হাইদৎলল্লগা ইলেক্সন মতমদা থাঙ শৎনখিবা য়েক্লবদুগা তাপ হেক্তমক কোন্নখি। ঐখোয় অয়ান্বনসু হায়বশাই- "মসিনা ফরে মিনিষ্টর ওইবা ফংনবা। মদুমক ফংদ্রগসু ওপোজিশনদি ওইদ্রেদনা।" মসিদনি ঐখোয়গীসু অশোয়বা লৈরিবসি। মসিগী মরকসিদা ঐদি রুলিং পামজদে, ওপোজিশন পার্টিদা চোংজরগে হায়না চোংখিবা য়াওরবদি কমদৌনি? দিসক্কালিফাইবুদি ইরাউ লাউগনি অদুবু মমিংদি থ্রক-থ্রক নিন্ননিহে! কনানা খঙবনো, মাগী এ সীগী মচিং শাথীবা য়াওরল্লদি মাগী থৱায় চেক্লাদু নাওরীনা কাপ্পগা তানখায়খিবসু।

লমদমসিগী মীয়াম্না চরাঙ খোয়রানরক্লিবসিবু ঙসি ঙরাংতগী ৱাফম্লা? কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী ঙসি ফাওবদা ওইরিবা ফীভমসিগী মরূদি ইল্লিগেল ইন্মিগ্রেন্টশিংননি হায়বসিবু কনাগী মমীত্তনো খুদোম্বীনা চক-চক থিল্লগা তাক্তোরিসে! কুইখ্রে, ঙসিদগী চহী নিফুতরুক্কী মমাঙদা মহৈরোয়শিংগী লূপ অমনা মণিপুরদা মীতোপ্পু খুন্দা লৈতাহনবা য়ারোই হায়বগী অকনবা ঈহৌ অমা চঙশিনখি। মীয়াম্নসু মীতোপ লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপগী মতাংসি খন্নে-নৈনৈ, অকনবা ঈহৌসু মরক মরক্তা হৌরকখি। হায়না হায়না অদুম লেপ্পাইদনা অদুম্মক চঙশিল্লকখি। তশেংনমক হায়রবদা ঙসিদি লৌ মপু য়োংনা তানবা হায়বদুমক থোক্লবনি। য়েলহৌমী কয়াগী পূন্সি, যূম-কৈ, লন-থুম মাঙহন-তাকহনবদা হালেংবা লৈরক্ত্রবনি। খ্বাইদগী লুরেন লুরিবদি মণিপুরগী ঙমখৈসিবু কনানা ঙাক্লিবগে হায়বসিগী পাউখুম্নি। লৈঙাক লৈনা লৈনা বোর্দর পিল্লরনা চোংথোক চোংশিন তৌবা য়াব্রা?

মতাংসিদা হায়জনীংবদি মণিপুরগী পাক চাউবা, মসিগী ঙমখৈ, কনানা কদাইদা করন্বা যূন্বী থাংদোক থাংজিন তৌরিবা, কনা কনা মীতোপ্না করন্বা মায়কৈদগী হাইজিল্লক্লিবা হায়বনচিংবা অসিবু মীচম ঐখোয়না কয়াম কুইনা লাউখো-তাকখো হায়বনো! হৌজিক্তি থায়নগী মতমদু নৎত্রে, ইন্টরনেট ইরানি কদাইদা করি লৈরি, কনানা করি তৌরি হায়বদু খঙনবা হোৎনবদা মতম ইচঙ চঙদ্রবনি। মণিপুরগী মরমদা অকূপ্পা দাটা থিগৎনবা লৈঙাক্কী থৌমী ময়াম অমা থল্লি। মখোয়না করি তৌদুনা লৈরিবনো হংনীংই। লৈঙাকপশিংনা মতীং ফূদোকপা ঙমদবগী মরম্না করিনো, কনানা থমাইবগীনো? ব্যুরোক্রেট ওফিসরদগী হৌরগা মরী লৈনবা ময়ামদুসু করিমত্তা খঙহৌদ্রৱা নৎত্রগা পাঙ্গল থোকপা ঙমখিদবগীরা? হৌজিক্তি মীতোপ্না ঐখোয়গী ইথক্তা লান্দারক্লে। মসি থিংনবা পান্বেসু পুথোক্তে। ঙসি ঙসিমক্কী ওইনদি ঐখোয়গী নেশনল হায়ৱেশিংদা, ঐখোয়গী চীংশাং নাপোমশিংদা খোঙদারুদবনা খুদোংথীবা নংদ্রে। মসিনদি মীতোপকী লাল্লোং নমথেকখ্রে হায়বা য়ারোই।

মীয়াম্না লৈবাক্কী ঙমখৈ কঞ্জগে চোংথোকপীরকপসি লৈঙাক্কীদি লাইবক ফবনি। মসিমক্তদা মীয়ান্বু লমহেন তুহেনবা তাহন্নবা হোৎনরি। অদুবু মীয়াম ঐখোয়না কদাই ফাওবা তৌবা ঙম্বগে হায়বদু উৎনবগী তাঞ্জা য়ৌশিল্লক্লে হায়বা য়াই, চহী মপূম ফাররোই। মথং ইলেক্সনদা... মথং ইলেক্সনদা! মদুসু ওল্ড ৱাইন ইন ন্যু বোটল নত্তবা! মথং মদুমসু মীয়ামগীদমক লৈবাক্কীদমক খনবীদ্রবা, ফৎ অমুক খত্তোকখিসি! মতুংদদি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক খঙবা ময়াম অমা লাক্তুনা লৈরক লমজাউ, যূমথোঙ খুদিং নিল্লসনু শৈহেক অসিনা,

**সনা লৈবাক মণিপুর মণিপুর**

**... ... ...**

**ইনুংবুংদগী হৌরকপী**

**চীংলোন্না পল্লোন খারিবী**

**শংলেন ফিজোল শেৎপী**

**চানবী হৈবী**

**চিক্লা লেম্না ঙান্থোইরিবী...। ●**

---

# করিগী লৈবাক নীংবা

**- নবকুমার ওইনা -**

ঙাঙনরিবা লাউনরিবা ময়ামসিবু লৈবাক নীংবগীনি খল্লু হায়রিব্রা? ঐখোয়সিবু ইমিৎ তাংলবা, ইনা পঙলবা ওইনা লৈরো অসিনিনে। ঈরাং থোকহনবসিবু লৈবাক নীংবগীনি হায়গদৌরিবা মীশিংদুবু কনা-কনানো? খন্থ-খন্থরগা নোক্লিংলকইবসিনা করিগীনো?

লৈবাক নীংবসিবু থৌদারগা য়াবা ৱারা? নমদুনা চিংথোল্লগা লৈবাক নীংহনবা য়াওরবরা? নীংশিন্নবসু য়াওরম্ববু য়ারি। ঈশৈদা, লীলাদা কোয়লাউ লাউরগা লৈবাক নীংবা য়ানখ্রবরা? লৈবাক নীংবসিবু মেলারা, নুমিৎ কয়ানি নীংগদৌবনো খঙদ্রে। অকল-অরিং শাববু লৈবাক নীংবনি হায়রগেরা? মী কিগনবা, মী তিন্ননীংদ্রবা, মপান থোক্লিংদ্রবা, মীনা ঙাঙবা তানীংলক্ত্রবা, তুফক-তুফায় চল্লবা ঐনা কমদৌনা লৈবাক নীংবা য়াগদৌরি।

ঙরাং লৈবাক নীংনখ্রে, নুমিৎ কয়ানি, থা কয়া লৈরগা অমুক নীংনগদৌরি, ঐবু য়াওবা য়াগদ্রা? ক্বালিফাই ওইরদরা? মদুগীদমক তম্ফম, ত্রেনিং চৎফম লৈগদ্রা? থিবা তাবনি, মিং চনশিনবা তাবনি, পরিক্ষা থাবা তাবনি। পাসকী ৱাদি খঙদ্রি।

মীনা হাৎলম্বা, মীনা ঙমখিবা, শিখিবা নুমিৎ নীংশিংদুনা লৈবাক নীংবা তারিব্রা? লৈবাক নীংবগীদি নুমিৎ-থা, থবান অফবা য়েংনদ্রবরা? লাইগী লাইশোন লান্না শোল্লগা শিখিবকা য়াওরব্রা? লৈবাক্কী ৱাবু লাইদা নিরগা য়াগদৌবা মান্দেদা। লাই লাল্লবদি লৈবাক্তুসু লাল্লি হায়বা তারকইবনি।

ঐনা নীংগদৌরিবা লৈবাক অসিবু করম্বনো? ইরৈবাক্তু নীংবীবা মীদি য়ামখৎলক্লি, লৈবাক হায়বসিদি নীংলিবশিংগী ওইখিগনি। ইশাদি নীংফম খঙহৌদবদগী অসুম লৈহৌরে। নীংনরিবা ময়ামগী মরক্তা চেনচৎ চৎপদি য়াওরি হায়ববু অসুম মনীংলোমদা কোন্থহৌরে, মমৈ তাহৌরে। তৌরিবসি লাল্লে হায়বদি খঙজরে। চুমথোকপনা কমদৌবা তারিবা? চুম্বকা লায়রি, মুনখিবনা হানগদৌরি। ইরৈবাক ফাওবা ঙারী নল্লগা চাবা কাঙবু তাগদৌরি। ইশাগী কাঙলূপ খঙদ্রবা, ইশাগী লৈবাক (মমিং) খঙদ্রবা, ইশাগী লাই খঙদ্রবা, কদায়দা চোংশিল্লগা য়াওরুগদৌরিবনো? চেনা অসিদা ৱাজগন শারগা অসুম লৈবা তারক্লি।

লৈবাক নীংবগী ঈশৈদু লোন অমদা শক্লিবনি।

ইশাসি শিরগা শিজখ্রসনু খল্লক্লে, হিংলুবগী কান্নবা লৈরক্ত্রে খল্লে। লৈবাক নীংবগী ৱা তাজনীংদে, লৈবাক নীংবগী ঈশৈ তানীংদ্রে। ঙরাং নহান্দগী না মেনশিল্লগা খাঙলবনি, ইশাসি লোন থোক্লক্তরে। খৌদা পল্লে, ঈশিং থকউ হায়বা ফাওবা তানীংদ্রে, কয়া ৱানদি খাঙলে। পেন্দবা ফোঙদোকপগী ফারগা থবক শুহল্লিবনি, হিটলরদগী য়াম্না হেন্না ফরিবনি, হাত্তোকপীদবগী। শিখিবসু য়াওরিবনি।

লৈবাক নীংবসি মী য়াম্মল্লবদি ৱা অদুম থোক্লদৌবনি, মী য়ান্বা ৱা য়ান্বা, ৱা য়ান্বা ৱাথী য়াওবা মশানা তারকপনি। হায়বা ইনবা মী ৱাৎলবসু লৈবাক শেন্বা য়ারোই, লৈবাক নীংদ্রবসু য়াবা মতাং লাক্লিবনি। লৈবাক ঙাকপা য়াওবদি লৈবাক নীংদবা মী ময়াম য়াওববু মাল্লি। লৈবাক নীংবশিংগা য়ানদবগী ৱাসু তারিবনি। ওনশিন-ওনশিন্নরগা লাউনরিবা, হাৎনরিবা ময়ামসি মরৈবাক নীংনবগী ওইগদৌরিবনি। লৈবাকপু নীংলবদি মী হাৎলবসু য়ানরিবনি। ৱাখল খনবদা লাল্লবদি লাই নীংবদসু লাল্লদৌবনি, লাইদু লাল্লবদি লৈঙাক্তুসু লাল্লদৌবনি। লৈঙাক্তু লাল্লবদি মীয়াম অদুসু লাল্লদৌবনি। মদুদগীনি মীসু-লাইসু পুল্লান লান্নরক্লিবসিনি। মতৌদদি লান্দবা মানগনি, লান্দে হায়গনি, মদু ফাওবা খঙনদবীদা লৈবাক নীংনরিবনি। অদুম য়ানরিবনি, লৈবাক মুন্নরিবনিদনা।

লৈবাক নীংবগী ৱাসিমা লোইনা হায়দোকপা য়ানদ্রিবনি, লোৎনরিবনি। অদুনবু খৎনরিবনি, হুরান্নরিবনি, হাৎনরিবনি। মাগী-মাগী কাঙলূপকী মী মশীং ফাওবা হায়দোক্লদবীদা য়ান্বা তান্নরি। মীতোপ হায়বসিনা করিনো খঙবা মান্দে, খন্দোকপা ঙমদ্রিবসিদি খঙদবগী ওইগনি। খন্দোক্লগা মশীং থিবা ফাওবা খঙনদ্রবনি। লোৎনরিবসিনিনে লৈবাক নীংবা হায়নরিবসি, লোৎত্রবদি লৈবাক নীংবা য়াদবগুম্বনি। মসিদা নত্তে, শেল-থুমগী, থবক হাপ্পগী লোৎনরিবা য়াম্না লৈরিবনি। লান্দা ফাওবা বোম-তোপ লোৎনরম্মীবনিদনা। হৌজিক্লা লৈবাক্তা ফুল্লগা লোৎনরিবনি, নোংথক্তগী ফোংনা থাথনরে। বোম থাথবদি লায়বু লায়রে; ভোট থাথবা ফাওবা, "ভোট থাথবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি" হায়না তাকপা মীসু লৈরক্লিবনি। লৈবাক নীংবা হায়বসিসু নাৎ অমনি, নাৎ য়াওদবা মীশিংগী নাৎ হায়বা অমসু থোক্লক্লবনি। নাৎ মুন্নবসু য়াওরক্লিবনি, নাৎ ময়ামসি ইশাগীনা করম্বনো খঙজিল্লক্ত্রবনি। অদুসু লৈবাক অসি নীংবা হেনগৎলকপগীনি, নীংবা কনবনা ফংনরিবনি। লৌখ্রগনি।

লৈবাক নীংবদা লৈবাক-মচা-তাবগী ৱাগা শম্নদে, ইরৈবাক্তা নুংশিজবদা লো অমত্তগা শম্নদে। ইশানা শেমজবা কাঙলোন চৎনবা মতমদা ইরৈবাক কৌই। কোয়লাউ লাউবনা চৎন-কাঙলোন ওইগনি হায়বসু লৈতে। লাউরিবা খুদিং লৈবাক নুংশিবগীনিদো হায়বা নত্তে। লৈবাক নুংশিবা খুদিং লৈবাক নীংবগীনি হায়বা য়াবা ওইদে। লমদমসিদা পোক্লুবগী পোকফম শাৎফম নুংশিবা অদুমক লৈবাক নুংশিবনি হায়বসু য়াদরি। উ-ৱা, চীংমায় কয়াগী ফজবদা নুংশিজবা অদুনা লৈবাক অমা খুল্লিংদুনা লৈবা ঙম্লগনি হায়বা য়াদ্রি। মিৎনা উরিবা, চারিবা-থক্লিবা, ঈশৈদা ফাওরিবা মহাও অসিগা লৈবাক নীংবগা মহাওদু মান্নবা য়াবা নত্তে। লৈবাক নীংবা হায়বসে ক্বা মতপ অমদা চিন-পৈবা য়াবা নত্তে। অদুনবু শিবা ঙম্নরিবা অসিনি।

মসিমক হেক খঙহৌদবদা উরিবা-তারিবা ময়ামসি লান্না উরক্কদৌরিবনি। শিবা ঙম্লগনি হায়রগা লৈতোন শেংলবনি হায়বসু ওইদরি। পুৱারী খঙবা তারি, ইপা-ইপু মশক খঙবা তারি, ইশা মশক খঙবা তারি। ইশা খঙজদনা মীতোপ কমদৌনা খঙগদৌরিবনো? মীতোপকা মীতোপকদি মরুপনি, মীতোপকা মীতোপকা খৎনবসু য়াই, খৎনফমদু মখোয়গীনি অসিনি। লৈবাক নীংবগী কাঙলোন অমনি, লৈবাক্কী ফীভম খঙদনা নুংশি হায়বা য়াদ্রি। লৈবাক অসিনা করি পাল্লি হায়বা খঙদনা নুংশি হায়বা য়াদ্রি। লৈবাক অসিনা করি পাল্লি হায়বা খঙদনা লৈবাক নীংবা হায়বা য়াবা হৌনদে। পঙনুং নুংশিবীবা হায়বা অমসু লৈ, জপানসু নুংশি, অন্দমানসু নুংশি হায়বদুরা। চমম্নবা লৈঙাকসিনা চমম্নবা পুৱারী শাগৎলকপগুম তৌরি। চমম্নবা মীয়াম্না চমম্নবা নুংশিবা অমদা করিবু নীংলিবা ময়েক শেংবা ঙম্নরবরা?

লানবদি য়াই, খঙবদি ৱায়। য়েক্লবদি খঙদনা কদায়দবু থিরুগনি। চান্মা-মঙাগী লান নত্তে, চান্মা-চান্মগী লাননি। লাই নীংগে হায়রগনা 'লোয়নবা মপান থোকই' হায়বদুনি খল্লি। লৈবাক নীংগে হায়রগনা নীংফম খঙনদবা হায়বদু ওইরে। হিয়াং য়েংবগুম য়েংনরিবা মরকসিদা কনাদনো তুম্বাগী শেলদু থৌরুগদৌরিবসিবু। মচা মুন্নবগুম মমা মুন্নখৎলক্লে, তঙ্খায় খায়রবসু য়ারে হায়রিবসি মচা অশেংবা নত্তে হায়বা অদুমক খঙনবা ৱানি। ফজরিবদি লৈবাক নীংনরিবা থৌনাশিং অসিনা ওইরি, মালেমদা অনী শুদ্রিবা ৱাথোক্লি। কয়াদা লাইবক ফরবনো, ক্লোরোফোর্ম কাপশিল্লে হায়বফাওবদি খঙলক্লে, তুম্বদি হৌগৎত্রিবা ওইগদৌরি। উমংলাই হরাওবগুম্না লৈবাক নীংবদি য়াগদৌবা মান্দে। লাই নীংবগা লৈবাক নীংবগা মান্নবা হৌনদে, লৈবাক নীংবদা মাইবী য়াওনদে। লাইদদি নীবনি, লৈবাক নীংবদি কখোকপনি। ওন্ন-তৈনৈ। ●

---

# লৌহকপাট (জেলগী য়োৎকী থোঙ) - ৩

**চারুচন্দ্র চক্রবর্ত্তীনা বংলাদা ইরম্বদগী মৈতৈলোনদা কুমজা ১৯৬৯ দা**

**শ্রীশঞ্জেনবম নদীয়াচাঁদ সিংহ, বি এ না**

**হন্দোক্তুনা ফোঙলম্বা**

**হন্দোক্লোই অসি এক্স-মেম্বর মণিপুর ষ্টেট দরবার, এক্স-মিনিষ্টর মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, এক্স-প্রসিদেন্ট মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনচিংবসু ওইরম্মী।**

ঐখোয়গী মোক্ষদা কৌবী ইমাগা পোকমিন্নবা ইন্দোলবু নিশিনা ফারম্মী, ঐবু নোকপনা ফারম্মী। ঐনা উরম্মী, ইন্দোন্না নিশিনা কৌবদা কোইরম্মী, হল্লম্মী, অদুদি ওইরগা জ্ঞানবুদ্ধিদি তূম্বনা কুপশিনখরে। ঐসু মতৌ অদুগুম্না লাইরিক ইরি, লাইরিক পারি, থবক তৌরি অদুদি ওইরগা ঐগী পূক্লীং অসি মোহ (শুমহৎপ) না কুপশিনখরে। ঐগী পূক্লীং অসি উবা ফংদবা সুরগী মাইকৈদা মমায় থাঙ্গত্তুনা লৈ। সুর অদুগা চাংদম্নফম লৈতে, মখূৎ হৈবা কনানসু মাদুগী মশক অমা পীবা ঙমদে, ঙম্মরোই, সুর অদু নুংশিবতা নত্তে, নেশাগুম্না ঙাওহনবসুনি। মরক মরক্তা থংনবা যূম অসিগী হাংদোক্তুনা লৈবা থোঙদগী মাদুগী মিরবা খোঞ্জেল অদু তাউদুনা লাকই। অদু নৎত্রবদি মাদু ঐগী নুংশিরবা ভ্রমনি।

ইশাবু তোঙান তোঙান খাইদোক্তুনা য়েংগে হোৎনরি। ঐগী করি ওইরে? অদু ওইরবদি ঐনা কাঙ্খীবু পূক্লীংনা - ? অঙাওবা! কাঙ্খী কনানো? চীংগী খুল অমগী নুপীমচা। মহৈ হৈতে, সভ্যতা (লৈপাক মচা তাবা) গী মঙান্দা চাউরকপা নত্তে, সংস্কৃতিগী চিহ্ন মাগী মশাদা মপূক্লীংদা হাপত্রি কাঙ্খী মশক ফজবী নুপী নত্তে। লৈশাবী ওইরকপা মতমদা নুপীগী মশাদা শুমহৎনবা মশক অমনা শোকপদা নুপী পূন্নমক্তা ফজবা শকফম অমা পীবা অদু নত্তবা মীবু চিংশিনবা য়াবা মাগী মশাদগী ওইবা করিগুম্বা মওং অমতা মাগী মশাদা লৈরমদে। য়েংবা য়ানা ফজবদি মাগী ঈগুম্না ঙাঙবা মখজাই অনীদুনি। অদুবু মাদুসু চীংদা লৈবা লৈশাবীশিংগী পূন্নমক্কী ওইবা মরলনি। য়াম্না ঙৌবা খজাইগী শাকায়রবা অঙাঙবা মচু দাজ্জিলিংগী লম্বীদা - ঘাট (তুরেলগী হিদেন) তা ইতত্তনা উবা ফংই। অদুদি কমদৌবা? নৎত্রে; তোঙান তোঙান খাইদোক্তুনা য়েংবদা করিসু ফংদরে। অদুদি ওইরগা ওন্থোকপনি! অসুম্না নোকপা মীনোকসি কনানা কৈদৌঙৈ নোকখিবগে?

ঐ লৈকোন্দা থবক শুরম্মী। অরাপ্পদগী তাবা নোকপগী ঈশিংগী ঈফুৎ অমদা ঐ লুপ্তুনা লৈরম্মী।

- ঐনা আন্দাজ তৌবদা নহাক মিষ্টার চৌধুরী ওইরমালে।

ঐ ঙক্লম্মী, তুংলোমদা ঐগী নঙ্গল ময়ামক্তা কুচু ঙৌবী ভদ্র মহিলা অমা লেপ্লম্মী, ঐগী অফিসগী অচৌবা মপু হ্যারল্ড রায়গী মতূ, মিসেস রায়নি।

ঐনা নোল্লুক্লা খঙহল্লম্মী, নহাক্লা অন্দাজ তৌরিবদু চুম্মী।

- এ: ঐনা উবদা নঙ অসিদি নিপামচানিনা। নঙগী ৱাসি ঐগী ইপুরোইবগী মচীন্দগী তোয়না তায়; মরক মরক্তা ঐখোয়গী যূমদা লাকউনা।

লৈপাক অসিগী খ্রীষ্টান অমগী বিদেশদগী লাকপা মতূনি- ভদ্রমহিলা অসিগী মরমদা ঐগী পূক্লীংদা ফজদবা ৱাখল অমা খল্লম্মী। ঐ লাল্লে হায়বা উরে। মহাক্লা নুংশিবগা লোয়ননা হায়জবা অদুদা ঐ হরাউনা য়ারে। নুপীসি অচুম্বমক পেল্লবনি। নুংশিবা থোৎলবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, নঙ লৈ য়াম্না পান্বরা? ঐগীসু নোংমা মাদুগী অনাবদু লৈরম্মী। হৌজিক্তি মাদু হৌখরে। করি লৈ থারি?

ঐনা হায়রম্মী, ফ্লকস অদুগা ডায়ান্থাসগী চারা খরা থিজরুরে।

- ঐগীদা হলিহকস লৈ। ঐ পীরক্লে। লৈপল অসিগী মনাক মনাক্তা থাও। অঙকপা ফংবা ব্যাকগ্রাউণ্ড ওইগনি।

মিসেস রায়গী ময়ূমদা মথংগী নুমিত্তা নুংথিলদা চৎলম্মী। মিষ্টার লৈরমদে, মতম খরদংগী মমাংদা লৱাইদা চৎখ্রে হায়বা তারে। মী য়াম্না চীকপা যূমদা মিসেস মথন্তা লৈরম্মী। মতম কুইনা মানা মাগী মনুংগী ওইবা মীগুম ঐবু তরাম তরাম তৌনা ফমহল্লে, দার্জ্জিলিংগী মনম নুংশিবা চাগা মখূৎনা শাবা কেক পীজরে। অনীমগা চাখো হায়না হন্না হন্না হায়রম্মী, ঐগী জিমনা য়াম্না পাল্লম্মী...

ঙাইহাক লেপ্পগা অতপ্পা অরায়বা খোঞ্জেলনা হায়রকই, শিখিবা ঙসি চহী তরা শুরে। নঙগা মাগা বয়স মান্নরম্বা য়ায়। হিংদুনা লৈরবদি হৌজিক্তি নঙগুম্বা ওইরগনি। মাসু লাইরিক য়াম্না পাল্লম্মী। ভগবান্না পীবিদরে...

মহাক্কী ৱাঙাওগী অরোয়বা শরুক অদু সংসারগী বিষয়গী মরমদা অপান্বা কয়া লৈতবা ওইরক্লে।

নুংঙাইতবা পাউ অসি ঐসু হান্নবা তাখ্রে। জিম হায়বসি মখোয়গী অমতা ওইবা মচানি।

মিসেস রায়না থৱায় য়াওনা মাগী লাইব্রেরী ঐঙোন্দা য়েংহনলম্মী। মাদুদা লৈরম্বা লাইরিকশিং অদু মমল য়ান্বা ঙাক্তনি। মহাক্লা হায়রম্মী, মমাংঙৈদা লাইরিক্কী মরমদা ঐ য়াম্না থৱায় য়াওরম্মী। হৌজিক্তি পামদরে। লাইরিকশিং অসিগী মনুংদা নঙনা পানীংবা য়াওরবদি পানীংবা মতমদা লাক্তুনা পারো। নঙনা অপান্বা লাইরিকতু পুদুনা চৎখো। নপূক্লীংদা চিংনবা তৌগনু।

মহাক্লা ঐবু থাদোক্লীংদে। পুং কয়ামুক্কী মতুংদা ঐনা বিদায় লৌদুনা লাক্লমদাইদা মহাক্লা হায়রকই, অমুকসু লাকউ। নঙ লাক্তুনা ঙসিগী সন্ধ্যাসি নুংঙাইনা মতম লেল্লে।

ঐগী অফিসগী মনিব (মপু) মিষ্টার হ্যালন্ড রায় বিলাত্তগী পাস তৌদুনা লাকপা ব্যারিষ্টারনি। অশেংবদি মহাক অসি ম্যাজিষ্ট্রেটনি। মহাক্লা জেল য়েংবসি মহাক্কী অরূন্বা পোৎলূম অদুগী মথক্তা এনশাংনাপীগী মপুন মচা অমা হাপ্পগুম্বনি-য়ামখিদ্রবা এলাউন্সগী লংনা পুনবনি। এলাউন্স অসিগী মশীংগী মরমদা মহাক অসি মতম লৈবা খিবিক্তা মশাদা ফাওরম্মী (Conseious ওইরম্মী) মহাক্লা ফংলিবা তলব অদুগা জেলবিভাগনা পীরিবা এলাউন্স অদুগা অনীদুগী অনুপাত (ration) মতুং ইন্না মাগী মতম পূন্নমক্কী শরুক অদুতা ঐখোয়গীদমক পীরম্মী (কাইথোক্লম্মী)। মহাক্লা সই তৌবা দরকার ওইবা চেগী মফম অদুগী মনাক্তা x ককপগী চিহ্ন অমমম থন্বা তারম্মী। মাসি মহাক্কী হুকুমনি। মহাক নোংলৈ নুংশিৎকুম্না লাকই, অচৌবা কলম অমনা সই খরগী নোংলৈ নুংশিৎ হৌহল্লগা নোংলৈ নুংশিৎকুম্না চৎখি। অ্যাসিষ্ট্যান্ট অমনা সই তৌবা লোইরগা চেশিং অদু চিংথোক্লম্মী। খরদং থিনবদা নখূত্তা বাত কৌবা (খোঙখুৎ চীকপগী) অনাবদুনা নারবরা, অদুগা খরদং থুনা তৌরুবগা মহাক্লা হংই, is there anything to hide? ঐগী ইরাইবক ফদুনা চে চিংবগী থবক অসি ঐগী লাইবক্লা তল্লমদে। মাদু তৌরল্লবদি ঐগী প্রবেশনারগী জীবন অদু নোংমতদা লোইরমগনি।

মিষ্টার রায়না অফিসতা ফম্বা মতমদা মহাক অসি পুরা সাহেবনি। কনাগীসু মরমদা কান্নদবা খঙনীংবা মহাক্কী লৈরমদে। অফিসগী মরমদা নত্তনা কনাগসু ৱারী ৱাতায় শাদে। ঐ নুমিৎ খূদীংগী মাঙোন্দগী খরদং লাপ্না লেপ্তুনা লৈরম্মী। করিগুম্বা মতমদা ঙাঙদবা য়াদবা কান্নবা ৱা নত্তনা মহাক্লা কদৌঙৈদসু ঐগী মরমদা মপূক্লীং চঙবা তৌরমদে।

মাদুগী নুমিৎ অদুদি খঙহৌদনা মহাক্লা সই তৌনা তৌনা ঐঙোন্দা য়েংদুনা ইংরেজীনা হংলকই, নঙগী প্রভিডেন্ট ফণ্ড লৈব্রা?

লৈতে হায়না ঐনা খুল্লম্মী।

মাদুগী মতুংগী নুমিৎ অদুদা অফিসতা হেক চঙলকপগা মহাক্লা চে অনী ঐঙোন্দা পীদুনা হায়রকই, হৌজিকমক ফীল আপ তৌদুনা পীয়ু।

চে অনীদু প্রভিডেন্ট ফণ্ডদা লুপা তুংশিন্নবগী ফরমনি হায়বা উরে। অদুবু ঐগী য়ামখিদ্রবা তলব অদুগী পয়সা অমা ফাওবা লেল্লমদে। ঐগী তলব অদুগী শরূক ফংগদবা মী য়াম্না লৈরম্মী, ঐগী মরমদা মখোয়গী পূক্লীংগী ভাব য়েসা অমা ওইরবসু ঐগী শেল অদুগী মরমদা কৈদৌঙৈদসু পেনবিদবা তৌরমদে। ঐনা পূক্লীংদা চিংনবা মতৌ উদুনা মিষ্টারনা থবক থুজিনহল্লে, কুইক কুইক। মাদুদা ঐসু সই অমা তৌবা দরকারনি।

ঐনা মহাক্কী মফমদা নোল্লুকনা হায়রম্মী, নহাক্লা ঐগীদমক ৱাবিরিবা অসিগীদমক ঐনা ধন্যবাদ তৌজরি। অদুবু প্রভিডেন্ট ফণ্ডদা লুপা থন্বা ঙম্বা ঐগী শক্তি লৈজদে।

- করিননো?

পূক্লীংদা খরদং চিংননা ঐনা হায়রম্মী, ঐগী করিসু লৈতবা আয় অসিগী মথক্তা ঐগী ইমুং মনুংগী মী অমা অনী depend তৌরি।

- মখোয়দা পীরুনু হায়না নঙোন্দা হায়দেনা।

- অদুবু মখোয়দা অমসুং ফণ্ড অসিদা পীয়ু হায়রিবা শেল পীখ্রবা মতুংদা লেমহৌবা অদুনা ঐগী চাবা ওক্ত্রে স্যার।

- ওকত্রবদি চারগনু- মিষ্টার রায়না মমায় মকশিনবা তৌদনা খুল্লকই, fill it in, quick !

ঐসি প্রবেশনারনি হায়না খল্লম্মী। অসিদগী হেন্না চঙশিনবা চুম্মোইদমালে। ফরমগী কাশিং অদু ইশিল্লগা মাঙোন্দা পীরম্মী।

প্রভিডেন্ট ফণ্ডগী নিয়ম মতুংইন্না থাগী তলব অদুগী লুপা অমদা অনা অমদগী পয়সা তরা ফাওবা তুংশিননবা য়ায়। তলবকী বিলদগী লুপা অদু কক্কদবনি। অনা অমগী হিসাবতা কক্লবা তৌরম্মী, হায়বসি হায়মনবনি। মাদু মহাক্লা ককথত্তুনা মাদুগী মহুত্তা পয়সা তরাগী হিসাবতা ওইবা শেলশীং অদু ইশিনবীরে।

ঐনা নোল্লুক্লা হায়রম্মী, ঐদি পুমশী শিবা তারে স্যার।

নেভার মাইণ্ড- হায়দুনা সই তৌরগা হৌগৎখরে। থোঙ য়ৌনা চৎলুরগা হঞ্জিল্লক্তুনা লেপ্তুনা হায়রকই, My dear friend, ঙসি নঙ ঐবু শোয়দবনি, শাপ তৌরি। অদুবু I can assure you, নথৱায় য়াওনা ঐবু আশীর্ব্বাদ তৌবা নুমিৎ অমা লাকখিগনি, মাদু অওইবমক ঐদি তাবা ফংলরোই। মরমদি মাদুগী আ মমাঙদনা ঐদি পৃথিবী অসিদগী বিদায় লৌরগদবনি।

নুমিৎ কয়ানিমুক্কী মতুংদা থোকপা থৌদোক্লি। মিষ্টার রায় নিয়ম মতুংইন্না সই তৌরি। খঙহৌদনা চে অমগী মথক্তা মাগী মীৎয়েং তাখ্রে । মাদু ট্রেজারীদগী লুপা লৌথোক্লবা কন্টিনজেন্ট বিলনি।

জেলদা লৈবা মীশিংবু ধর্ম্ম লৈবা মী ওইনবা সরকারনা হোৎনবগী অরোইবা লৈতে। মাদুগীদমক অতোপ অতোপ্পা ধর্ম্মগী পাউতাক পীবা-পাদরি, পণ্ডিত অমসুং মৌলবী সাহেবশিংগী দল হাপ্তুনা লৈ। চয়োল অমগী অরোয়বা নুমিত্তা অমুক্তং লাক্তুনা নরক্তা লৈবা পাপচেনবা মীশিং অসি পূন্না তিলহল্লগা মখোয়বু লানবিনবগী মন্ত্র য়েনবিরম্মী। হায়বদি ফাটক বন্দীশিংনা নুমিৎ অদুমদা থবক থনা থাদোক্তুনা মতম খরদং পুন্না ফমদুনা নুংঙাইবা ৱারী ৱাতায় শাবগী খুদোং চাবা ফংই। পাউতাক পীরিবশিং অসি তলব ফংদে, অদুদি ওইরগা হঙ্গৎহন্দা চৎপগী খরচতি ফংই - চয়োলদা লুপা ২॥০ নৎত্রগা অদুগুম্বা অমা। মাদু বিল তৌদুনা শেল লৌথোক্লবা ট্রেজারীদা থারিবনি। অঙ্কগী মশীংগা লোয়ননা মোট লুপা তরানিথোই মখায়নি।

থৌদোক অসি মনিবতা খঙনবা তাক্লে। মিষ্টার রায়না কলম থাঙ্গত্তুনা হায়রকই, অদুবু ঐনা উবদি নোংমাইজিং খূদীংগী পণ্ডিত অসিগা পাদরি অসিগা ঐগী যুম মনাক্তা চোং চোংদুনা লাকই। মখোয়গী গাড়ি ভাড়া হায়ববু করিগীনো?

ঐনা হায়রম্মী, মখোয়না করম তৌনা লাকপগে হায়বগী মরমদা ঐখোয়না য়েংফম থোক্তে। সরকারনা মখোয়গী লম্বী চৎপগী খরচ মঞ্জুর তৌরবনিনা মাদু মখোয়গী ফংফম থোকপনি।

মিষ্টার রায় খঙহৌদনা ফ্রণ্ড শাউরক্লে মাদু মখোয়গী ফংফম থোকপনি কনানা হায়বগে? সরকারগী শেল লান্না খরচ তৌদনবা য়েংশিনবা ঐগী তৌগদবা থবক্লি।

অদুগী মতুংদা লঙনবগী সুরনা হায়রকই, মখোয়বু নঙনা অকিবা মশক ফংনা নুংশিবী হায়বা ঐ উরে। শরূক খরদং ফংবরা?

ঐগী কোক মনুংদা য়াম্না থুনা ঝাঁ লাউনা ফাউরক্লে। নুমিৎ কয়ানিমুক্কী মমাঙদগী চাকরিগী মায়াসি পীকপদগী অমুক হেন্না পীকশিল্লম্মী। খঙহৌদনা য়াম্না কনখ্রবা নুংশিৎ অমনা মাদুবু পুমথৎ থদৎখরে। মীকুপ অমগী মনুংদা ঐগী পূক্লীং লেপ্লে। অকনবা পাউখুম অমা ঐগী চীন্দা লাক্লম্মী। ইশাবু করিগুম্বা মওঙ অমা তৌদুনা লাকশিন্দুনা ঐগী টেবিন্দা লাক্লে। চে অমা লৌদুনা য়াম্না থুনা লাইন খরা ইদুনা চাকরি থাদোক্লে। চে অদু মহাক্কী মমাঙদা থমদুনা ঐনা হায়রম্মী, হয়েং অয়ূক ঐবু থাদোকপিরবদি ঐ তৌবিমল খঙবা ওইজগনি। পূং অমা মখায় তাবগী মেলদা চৎনিংই।

মনিবনা চে অদু পারগা পকেটতা হাপখ্রে অমসুং মনিল মহা থোক্তনা চৎখ্রে। লেমহৌবা চেশিং অদু সই তৌদ্রে।

চিঠি খরদং জবাব পীগদবা লৈরম্মী। সন্ধ্যাদা ফম্নবা কাদা ফমদুনা মখোয়দুগী অমা অনীগী জবাব ইবা লোইরম্মী। থোঙদা খূৎনা থীল্লরে। থোঙ হাংদোকপদা ঐগী মীৎ অসিবু ঐ থাজদরে। অদুপ চাউখ্রবা মনিব অদু ঐগী থোঙদা লাক্লে। তরাম তরাম ওকপা কাউরে। মহাক ঐনা ওকপা ঙাইরমদে। শব্দ অমতা তৌদনা কা মনুংদা চঙলক্লে। ঐনা চৌকি অমা চিংশিন্দুনা হায়রম্মী, লেংশিনবিয়ু স্যার! মহাক্লা হন্না ফাওবা য়েংবিদরে। কা অদুগী মাইকৈ মরিদা চত্তুনা ফক্লাঙদা য়ান্দুনা লৈবা ছবিশিং অদু য়েংবা হৌরক্লে। ছবি অমা য়েংদুনা বাঙলা লোন্না হংলকই-মহাক অসি কনানো? মিষ্টার রায়গী মচীন্দা অহানবা বাঙলা লোল ঙাঙবা তারে।

ঐগী ইপানি হায়রম্মী।

- হৌজিক হিংদুনা লৈরিব্রা?

- শিখ্রে

- অরানখুবম ফংখ্রে হায়দুনা ঐঙোন্দা অকিবা মশক ফংবা মীৎয়েংনা য়েংলম্মী। ঐ ৱা ঙাঙদনা লেপ্তুনা লৈরম্মী। চৌকি অমা চিংশিন্দুনা ফল্লগা হায়রকই, নঙগী বয়স চহী কয়ানো? ঐগী বয়স হায়রম্মী।

- ঐগী ইচানিপা অমা লৈরম্মী। নঙগা বয়স চহী চপ মান্নবা। শিখ্রে ... মাদুগীদমক ভগবান্দা ধন্যবাদ তৌই। ... করিগীনো খঙব্রা?

ঐ খুমদ্রে।

- হিংদুনা লৈরবদি ঙসি মাসু নঙদৌনা ভদ্রব্যাবহার খঙদবা অসভ্য ওইরমগনি। নপাগী বয়স ওইরবা অফিস-মাষ্টারগী মমায়দা letter of resignation লংশিন্দুনা থাগনি। অসি হায়দুনা ঐনা থবক থাদোকপগী চে অদু কুপ্না কুপ্না শেগায়দুনা মচেৎশিং অদুনা ঐগী হকচাঙদা লংশিন্দুনা থারল্লগা নোংলৈ নুংশিৎকুম্না মপান থোক্তুনা চৎখ্রে। ●

(মখা চত্থজরকখিগনি)